# চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংনা গ্রুপ ষ্টেজতা ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎলক্কনি হায়না থাজে : বিবিয়ানো



ন্যু দিল্লি, জুন ২১ (এজেন্সী):

চহী অসিদা বহারেননা যূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা গ্রুপ ষ্টেজতা ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎলকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা অদু টিম অসিগী হেদ কোচ ওইরিবা বিবিয়ানো ফর্ণান্দেজনা ফোঙদোকখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগা মিদিয়াগা ৱারী শানখিবা অমদা বিবিয়ানোনা ফোঙদোকখিবদা থা অসিগী ১৮দা মলেসিয়াগী কোলালম্পুরদা লৈবা এ এফ সীগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী দ্রোদা ইন্দিয়াগী টম অসি গ্রুপ সীদা সাউথ কোরিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং উজবেকিস্তানগা পূন্না লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

কুমজা ২০১৮দা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী এদিসন অদুদা ইন্দিয়াগী টিমনা সাউথ কোরিয়াগী মখূৎতা ক্বার্টর ফাইনেল ষ্টেজতা শুপ্নগী পাঞ্জল ১দা মায়থীহৌখি। করিগুম্বা সেমীফাইনেল চঙলম্লবদি চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাই ওইরমগদবনি।

হৌজিকমক্কী ওইনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মখাদা লৈবাক অসিদা ফুটবোলগী এক্টিভিটি অমত্তা পাঙথোকপা যাদনা লৈরি। শান্নরোয়শিং ময়ূম-ময়ূমদা মার্চ থাগী অরোইবা শরুক্তগী লোকদাউননা মরম ওইরগা লৈরকখি। অদুবু ওনলাইনদা কোচ বিবিয়ানোনা শান্নরোয়শিং অদুগা পাউ ফাওনদুনা সেসন কয়াদি পাঙথোক্তুনা লৈরি।

টুর্নামেন্ট শরুক য়াবদা পাঙ্গল লৈহন্নবা অমদি ফজবা ঙমহন্নবা শান্নরোয়শিং অসি চপ চাবা মায়কৈদা পুননবা অথুবা মতমদা ত্রেনিং হৌবা য়ানবগী অপান্বা ফোঙদোকখি।

বিবিয়ানোগী লমজিং মখাদা ইন্দিয়াগী হৌজিক লৈরিবা চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম অসিনা ইন্টরনেসনল মেচ ৮ শান্নখিবদা মেচ অমত্তা মায়থীবা নংদনা লাক্লি।

চহী ১৫ মখাগী সাউথ এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্দা মেচ ৫ মায় পাকপা ঙমখি। মদুগী মতুং এ এফ সীগী চহী ১৬ মখাগী চেম্পিয়নশিপ ক্বালিফায়রদা মেচ অনী মায় পাক্লগা অমনা দ্রো চৎতুনা লাকখিবনি।

বিবিয়ানোনা টিম অসিবু শেমগৎলকপা অসি মহাকখক্তগী থৌদাং নত্তে। মহাক্কী সপোর্ট ষ্টাফশিংগা পূন্না চহী ৪/৫ অসিদা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং অদু হীরম খুদিংমক্তা য়েংশিন্দুনা অফবা শান্নরোয় ওইনবা শীনবদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌদুনা লাক্লি। দিল্লিদা লৈবা ফুটবোল হাওসতা থবক তৌরিবা ষ্টাফশিংনা কেম্পশিংদা অমদি এক্সপোজর টুরশিংদা অপনবা অমদি অৱাৎপা অমত্তা লৈহন্দবগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# অর্জুন এৱার্দকীদমক প্রনোয়গী মমিং রিকমেন্দ তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ২১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী বেদমিন্টনগী নেসনল কোচ ওইরিবা পুলেরা গোপিচান্দনা শান্নরোয় ঐচ এস প্রনোয়গী মমিংবু অর্জুন এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌখ্রে।

মমাঙদা বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা থা অসিগী ২দা নেসনল স্পোর্টস এৱার্দশিং অসিগীদমক্তা থাগৎখিবা রিকম্মেন্দেসন লিষ্টতা ঐচ এস প্রনোয়গী মমিং য়াওদে হায়না মশামক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

অদুবু, ঙসি গোপিচান্দনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মহাক মশামক খেল রত্না এৱার্দ অমা ফংখ্রবা শান্নরোয় ওইখিবগী কেপাসিটিদা জুন ৩দা ঐচ এস প্রনোয়গী মমিং অদু অর্জুন এৱার্দকীদমক্তা রিকমেন্দ তৌখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, ত্বিটর একাউন্টতা ঐচ এস প্রনোয়না পেন্দবা ফোঙদোরকখিবদা কম্মনৱেল্থ গেমস অমদি এসিয়ন গেমসতা মেদল ফংলক্লবা শান্নরোয়শিংগী মমিং রিকম্মেন্দেসন তৌদনা শান্নবা য়াওদবা অতোপ্পগী মমিং রিকম্মেন্দ তৌখিবা অসি অনৌবা নত্তে হায়খি।

মরক অসিদা, বি এ আইনা প্রনোয়গী মথক্তা নুমিৎ ১৪নিগী মনুংদা মহাক্লা ফোঙদোকখিবা অমদি দিসিপ্লিনরি শো কোজগী এক্সপ্লেনেসন তৌগদবনি হায়রি।

# রাউন্দ মঙা লোইশিনখিবদা ইন্দিয়াগী পেন্টালা হরিকৃষ্ণ গ্রুপ এগী মমৈদা লৈরি



ন্যু দিল্লি, জুন ২১ (এজেন্সী):

ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন নারৱেগী মেগনস কার্লসননা শীন্দুনা মহাক্কী মমিংদা পাঙথোকপা ওনলাইন চেছ টুরগী অহুমশুবা ইভেন্ট ওইনা য়ু এস মিলিয়ন অমগী শেলগী মনা লৈবা চেসেবল মাষ্টরস টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী পেন্টালা হরিকৃষ্ণ গ্রুপ এগী রাউন্দ মঙা লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ১.৫ ফংলগা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরি।

ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ এগী অহানবা রাউন্দ অহুম হরিকৃষ্ণ মায়থীবা নংখি। মহাক্লা অহানবা রাউন্দদা রসিয়াগী শান্নরোয় ৱ্লাদিস্লাব অর্টিমিবকা লম্বা তৌনবদা অমুবা মচু পায়রগা ৪০শুবা মুভতা মায়থীবা নংখি।

অনীশুবা রাউন্দদা অমুক্কা হন্না অমুবা মচু পায়দুনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মেগনস কার্লসনগা অকনবা লম্বা চথুরকপদা মুভ ৮৫ ফাওবা শান্নরগা মায়থীবা নংখি।

অহুমশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় দানিল দুবোবকী মখূৎতা অমুবা মচু পায়রগা ৬০শুবা মুভতা মায়থীখি। অদুবু মরিশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা হিকারু নকামুরাগা অমুবা মচু পায়দুনা লম্বা তৌনবদা মায়থীরমগদবা পোজিসন্দগী ফজরক্তুনা ৬০শুবা মুভতা দ্রো চত্তুনা পোইন্ট মখায় অমা ফংবা হৌখি।

মঙাশুবা রাউন্দদা পেন্টালা হরিকৃষ্ণনা অঙৌবা মচু পায়রগা লম্বা তৌনরকপদা অতোপ্পা রসিয়াগী শান্নরোয় আলেকজেন্দর গ্রিচুকপু শুপ্নগী মুভ ২৮দা মায়থীবা পীদুনা রাউন্দ মঙা লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ১.৫ ফংলগা তরুকশুবা পোজিসন্দা লৈরিবনি।

গ্রুপ এদা শান্নরোয় তরুক্কী লম্বানি। রাউন্দ মঙা লোইশিনখিবদা রসিয়াগী ৱ্লাদিস্লাব অর্টিমিবনা পোইন্ট অহুম মখায় ফংদুনা মাঙজিল থারি। পোইন্ট অহুম ফংলগা অতোপ্পা রসিয়াগী শান্নরোয় দানিল দুবোব লৈরি।

অহুমশুবদা নোরৱেগী মেগনস কার্লসন অমসুং হিকারু নকামুরা পোইন্ট ২.৫ ফংমিন্নরি। অদুগা মঙাশুবদা রসিয়াগী আলেকজেন্দর গ্রিচুক পোইন্ট অনী ফংলগা লৈরি। পূন্না শান্নরোয় ১২না গ্রুপ অনী থোক্না রাউন্দ তরাগী ওইবা লম্বা অসিদা গ্রুপ অমগী মকোক থোংবা শান্নরোয় ৪না নোকআউট ষ্টেজ গীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

ঙসি গ্রুপ বিগী অহানবা রাউন্দ শান্নবা লোইশিনখিবদা চাইনাগী দিং লিরেন অমসুং নেদরলেন্দসকী অনিস গিরি পোইন্ট ১/১ ফংলগা লৈরি। অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অনী চথুরি।

# জিরিবাম বেদমিন্টন ক্লব মমিং হোংলে



জিরি, জুন ২১ (ঐচএনএস):

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসিদা বেদমিন্টন অমদি টেবল টেনিস শান্নবা পামজবা মীওইশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি জিরিবামগী বিদ্যানগর ফর্মদা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইন্দোর ষ্টেদিয়ম অসিগী অকোয়বশিং সোসল সার্ভিস তৌখি অমদি ইন্দোর ষ্টেদিয়ম অসিগী য়াদ্রবা ফ্লোরিংশিং শেমজিন-শাজিনবগী থবকশিংসু পাঙথোকখি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা জিরিবাম পুলিসকী এস পিসু ওইরিবা অদুগা জিরিবাম বেদমিন্টন এসোসিএসন (জে দি বি এ) গী চীফ এদভাইজরসু ওইরিবা এম মুবী, এম পি এসনা হায়খিবদা, হৌজিক জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসি ওনদ্রিঙৈগী মমাঙদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী জিরিবাম সব দিভিজন অমা ওইনা লৈরম্বা অদু হৌজিক্তি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট ওনখ্রবা মতুং অসিদা জিরিবাম বেদমিন্টন ক্লব (জে বি সী) হায়না লৈরম্বদু ঙসি ফমখিবা মীফম অসিনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসন (জে দি বি এ) হায়বা মমিংদা ওন্থোকপা হায়না ৱারেপ লৌরে। ঙসি লৌখিবা ৱারেপ অসি মথংগী নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্কদবা মীফম অসিদা লাউথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খিবদা, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা শান্নববু পামজবা অমদি শান্নরোয় কয়াশিং অসিবু হেন্না চাওখৎপা পুরক্লবা মণিপুর ষ্টেট অসিগী লৈরিবা বেদমিন্টন এসোসিএসন, মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসন, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিএসনশিং এফিলিএট তৌদুনা হেন্না অফবা চাওখৎনবা হোৎনগনি। মসিদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

স্পেনিস ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০

# সলটা বিগোনা দিপোর্টিভো অলাভেসপু ৬-০দা থোইখ্রে, এটলেটিকো মাদ্রিদসু মায় পাকখ্রে

মাদ্রিদ, জুন ২১ (এজেন্সী):

স্পেনগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লালীগাগী ঙসি শান্নখিবা ৩০শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা সিলটা বিগোনা দিপোর্টিভো অলাভেসপু পাঞ্জল ৬-০দা থোইবা ঙমখ্রে। অদুগা এটলেটিকো মাদ্রিদসু রিএল ভলাদোলিদকা শান্নবদা ১-০দা মায় পাকখ্রে।

ঙসি সলটা বিগো অমসুং দিপোর্টিভো অলাভেসকী মেচ অদুগী অহানবা হাফ অদুদা সেলটা বিগোনা ৪-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি জে মুরিলো (১৪), আই অসপাস (২০) অমসুং রাফিনা (৪০,৪১) নি। অদুগা হাফ মতুংদা নোলিটো (৭৮) অমসুং এস মিনা (৮৬) না পাঞ্জল অনী চনখি।

অতোপ্পা ৩০শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা রিএল ভলাদোলিদপু মেচকী লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্লবা ৮১শুবা মিনটতা দিকোষ্টাদা পীখিবা বোল অমদা ভিটোলোনা চন্দুনা মায় পাক্লবা মতুং ৩শুবা পোজিসন্দা লৈরি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Barcelona | 30 | 20 | 5 | 5 | 69 | 31 | +38 | 65 |
| 2 | Real Madrid | 29 | 18 | 8 | 3 | 55 | 20 | +35 | 62 |
| 3 | Atlético Madrid | 30 | 13 | 13 | 4 | 38 | 22 | +16 | 52 |
| 4 | Sevilla | 30 | 14 | 10 | 6 | 42 | 30 | +12 | 52 |
| 5 | Getafe | 30 | 13 | 9 | 8 | 39 | 28 | +11 | 48 |
| 6 | Real Sociedad | 29 | 14 | 5 | 10 | 46 | 36 | +10 | 47 |
| 7 | Villarreal | 30 | 14 | 5 | 11 | 47 | 38 | +9 | 47 |
| 8 | Valencia | 29 | 11 | 10 | 8 | 39 | 43 | −4 | 43 |
| 9 | Athletic Bilbao | 30 | 10 | 12 | 8 | 33 | 26 | +7 | 42 |
| 10 | Granada | 30 | 12 | 6 | 12 | 37 | 36 | +1 | 42 |
| 11 | Levante | 30 | 11 | 5 | 14 | 37 | 43 | −6 | 38 |
| 12 | Osasuna | 29 | 8 | 11 | 10 | 35 | 44 | −9 | 35 |
| 13 | Alavés | 30 | 9 | 8 | 13 | 31 | 45 | −14 | 35 |
| 14 | Real Betis | 30 | 8 | 10 | 12 | 40 | 48 | −8 | 34 |
| 15 | Valladolid | 30 | 7 | 12 | 11 | 25 | 35 | −10 | 33 |
| 16 | Celta Vigo | 30 | 6 | 12 | 12 | 28 | 35 | −7 | 30 |
| 17 | Eibar | 30 | 7 | 8 | 15 | 31 | 47 | −16 | 29 |
| 18 | Mallorca | 30 | 7 | 5 | 18 | 29 | 50 | −21 | 26 |
| 19 | Leganés | 30 | 5 | 9 | 16 | 26 | 49 | −23 | 24 |
| 20 | Espanyol | 30 | 5 | 9 | 16 | 26 | 49 | −23 | 24 |

কোরিয়া লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১

# জিওনবুক এফ সী মায় পাক্তুনা মখা তানা টেবলগী মাঙজিল থারি



সিওল, জুন ২১ (এজেন্সী):

জিওনজু ৱর্ল্ড কপ ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা কোরিয়া লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৮শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা জিওনবুক এফ সীনা গুৱাংজু এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা টিম ১২গী লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা মাঙজিল থাদুনা চৎলি।

ঙসিগী মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু মেচকী ৮৬শুবা মিনটতা জিওনবুক এফ সীগী মায়কৈদগী জি হাননা চন্দুনা পূন্না পোইন্ট ২১ ফংবগা লোয়ননা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

সুনগুই এরেনা পার্কতা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা বুশান আইপার্কনা ইঞ্চিওন য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। মেচকী ৭৭শুবা মিনটতা বুশান আইপার্ককী এন কিমনা গোল অমা চনখি।

দেগু এফ সীনা সুওন ব্লুৱিংসপু ৩-১দা থোইখি। অহানবা হাফতা ব্লুৱিংসকী এস কোনা পাঞ্জল অমা চনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা দেগু এফ সীগী মায়কৈদগী সেসিনানা অনী অদুগা দামচানোভিচনা অমা চনখি।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ২০১৯-২০

# খৃষ্টেল পেলেস অমসুং ন্যুকাষ্টল য়ুনাইটেদনা মখোয় মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীখ্রে

লন্দন, জুন ২১ (এজেন্সী):

মালেমগী মমিং লৈরবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ৩০শুবা রাউন্দগী মেচশিংদা খৃষ্টেল পেলেসনা এ এফ সী বোর্নমাউটপু পাঞ্জল ২-০দা থোইখ্রে। অদুগা ন্যুকাষ্টল য়ুনাইটেদনা সিফিল্ড য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ভাইটালিটি ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা হান্না ১০শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বা খৃষ্টেল পেলেস অমসুং ১৮শুবা পোজিসন্দা লৈরিবা এ এফ সী বোর্নমাউটকা লম্বা তৌনখি।

মেচকী ১২শুবা মিনটতা খৃষ্টেল পেলেসকী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা এল মিলিবোজেবিসনা অঙনবদা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। হাফ অদুগী ময়ায় চনশিল্লকপদা মখা তানা এটেক চথুরক্তুনা খৃষ্টেল পেলেসকী মায়কৈদগী পি ভান আনহোল্টনা ফংখিবা বোল অমা মফম চানা খাইদোরকপদা টিমমেট জে এয়ুনা পাঞ্জল চন্দুনা অহানবা হাফ অদু ২-০দা মাঙজিল থারগা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা এ এফ সী বোর্নবাউটকী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু খৃষ্টেল পেলেসনা চনখিবা পাঞ্জল অনী অদু হন্দোকপা ঙমদনা লোইশিনখি।



সেন্ট জেমস পার্কতা ঙসি শান্নবা অতোপ্পা মেচ অমদনা ন্যুকাষ্টল য়ুনাইটেদ অমসুং সিফিল্ড য়ুনাইটেদ লম্বা তৌনরকপদা ন্যুকাষ্টল য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অহুম্মক অনীশুবা হাফতা চনখি।

অহানবা হাফ পাঞ্জল চন্নখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১০ চঙশিল্লকপদা ন্যুকাষ্টল য়ুনাইটেদকী এম রিচিনা পীরকপা বোল অমদা এ সেন্ট মেক্সিমিননা অহানবা পাঞ্জল চনখি।

মেচকী ৬৯শুবা মিনটতা আই হেদেননা পাস তৌরকপা বোল অমা এম রিচিনা চন্দুনা সিফিল্ড য়ুনাইটেদপু ন্যুকাষ্টল য়ুনাইটেদনা ২-০দা হেন্দুনা লৈখি। লোয়ননা ৭৮শুবা মিনটতা এম অলমিরোননা খাইরকখিবা বোল অমা টিমমেট জোলিনটননা পাঞ্জল চন্দুনা ৩-০দা থোইখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Liverpool | 29 | 27 | 1 | 1 | 66 | 21 | +45 | 82 |
| 2 | Manchester City | 29 | 19 | 3 | 7 | 71 | 31 | +40 | 60 |
| 3 | Leicester City | 30 | 16 | 6 | 8 | 59 | 29 | +30 | 54 |
| 4 | Chelsea | 29 | 14 | 6 | 9 | 51 | 39 | +12 | 48 |
| 5 | Manchester United | 30 | 12 | 10 | 8 | 45 | 31 | +14 | 46 |
| 6 | Wolverhampton | 30 | 11 | 13 | 6 | 43 | 34 | +9 | 46 |
| 7 | Sheffield United | 30 | 11 | 11 | 8 | 30 | 28 | +2 | 44 |
| 8 | Tottenham Hotspur | 30 | 11 | 9 | 10 | 48 | 41 | +7 | 42 |
| 9 | Crystal Palace | 30 | 11 | 9 | 10 | 28 | 32 | −4 | 42 |
| 10 | Arsenal | 30 | 9 | 13 | 8 | 41 | 41 | 0 | 40 |
| 11 | Burnley | 29 | 11 | 6 | 12 | 34 | 40 | −6 | 39 |
| 12 | Newcastle United | 30 | 10 | 8 | 12 | 28 | 41 | −13 | 38 |
| 13 | Everton | 29 | 10 | 7 | 12 | 37 | 46 | −9 | 37 |
| 14 | Southampton | 30 | 11 | 4 | 15 | 38 | 52 | −14 | 37 |
| 15 | Brighton & Hove Albion | 30 | 7 | 11 | 12 | 34 | 41 | −7 | 32 |
| 16 | Watford | 30 | 6 | 10 | 14 | 28 | 45 | −17 | 28 |
| 17 | West Ham United | 30 | 7 | 6 | 17 | 35 | 52 | −17 | 27 |
| 18 | Bournemouth | 30 | 7 | 6 | 17 | 29 | 49 | −20 | 27 |
| 19 | Aston Villa | 29 | 7 | 5 | 17 | 34 | 56 | −22 | 26 |
| 20 | Norwich City | 30 | 5 | 6 | 19 | 25 | 55 | −30 | 21 |

# নোভাক জোকোভিচ অনীশুবা ষ্টেজগী ফাইনেল য়ৌখ্রে

জাদর, জুন ২১ (এজেন্সী):

নুপাগী টেনিস শান্নরোয় ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা নোভাক জোকোভিচনা এগজিবিসন টুর্নামেন্ট ওইরিবা এদ্রিয়া টুরগী অনীশুবা ষ্টেজকী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ক্রোএসিয়াগী জাদর সিটিদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা ষ্টেজতা সর্বিয়াগী শান্নরোয় ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোভিচনা অহানবা মেচতা অতোপ্পা সর্বিয়াগী শান্নরোয় পেদিয়া খৃষ্টিনবু ৪-৩, ৪-১দা মায়থীবা পীখি। মদুগী মতুং জাদরদা লৈবা বিসনিক টেনিস কমপ্লেক্স অদুদা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোয় বোর্না কোরিকপু ৪-১, ৪-৩দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, এদ্রিয়া টুর অসিগী অহানবা লেগ অদুনা সর্বিয়াগী সিটি বেলগ্রেদদা পাঙথোকখিবদা ওষ্ট্রিয়াগী শান্নরোয় দোমিনিক থিয়মনা ফাইনেল লৌবা ঙমখি।

জাদরগী টুর্নামেন্ট অসি ক্লে কোর্টতা শান্নবনি। অতোপ্পা গ্রুপ অমদা রসিয়াগী এন্দ্রি রুবলেবনা ক্রোসিয়াগী মারিন সিলিক অমদি সর্বিয়াগী দানিলো পেত্রোবিসপু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈখ্রে। মহাক্লা ঙসি অথেংবদা জর্মনিগী শান্নরোয় এলেকজেন্দর জ্বেরেবকা লম্বা তৌনগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই, এলেকজেন্দর জ্বেরেবনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ লীগ মেচতা ক্রোসিয়াগী মারিন সিলিকপু ৪-৩, ০-৪, ৪-৩দা থোইখিবনি।

জোকোভিচনা ফোঙদোকখবদা ঙসিগী অনীশুবা ষ্টেজকী মেচশিং অদু বিসনিক টেনিস কমপ্লেক্সতা ভাবক লিশীং কয়ানা মীৎয়েং তাখি। কোভিদ-১৯গী মতুংদা টেনিস টুর্নামেন্ট অসিনা অহানবা ওইরি।

সেরি এ ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০

# সেরি এগী শান্নখিবা মেচশিংদা ভেরোনানা কাগলিয়ারিবু ২-১দা থোইখ্রে, টোরিনো অমসুং পর্মা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে

রোম, জুন ২১ (এজেন্সী):

মতম শাংনা লোকদাউননা মরম ওইদুনা লেপ্পুরবা মতুং মখা তানা লোইশিলহৌদবা লীগ মেচশিং অদু চথুরকপদা ইটালিগী সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ভেরোনা ফুটবোল ক্লবনা কাগলিয়ারিবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদনা টোরিনো অমসুং পর্মাগী ফুটবোল ক্লবশিং পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

বেন্টো গোদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা সেরি এগী ২৬শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ভেরোন অমসুং কাগলিয়ারি লম্বা তৌনখি। ভেরোনাগী টিম পোইন্ট ৩৫ ফংলগা ৯শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি। ঙসি মায় পাকখিবা অদুনা পোইন্ট ৩৮ ফংলগা তরেৎশুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল অহুম্মক চন্নবা ঙমখি। ভেরোনাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনীমক এস দি কার্মিনেনা চনবা ঙমখি। শান্নবগী হৌবা মতম ইকুই কুইদ্রিঙৈ ১৪শুবা মিনটতা ভেরোনাগী মায়কৈদগী দি লাজোবিসনা পীরকপা পাস অমদা এস দি কার্মিনেনা চনবা ঙমখি।

মখা তানা মেচ চথুরকপদা কাগলিয়ারিগী মায়কৈদা ভেরোনানা বোল পুশিনবগী চাং অদু হেনজিল্লকখি। ২৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী ভি ভেরিনা ফংখিবা বোল অমা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা এস দি কার্মিনেদা খাইদোরকখিবা অদু অশোয় অঙাম য়াওদনা কার্মিনেনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল ওইহনখি। ৪৩শুবা মিনটতা কাগলিয়ারিগী মায়কৈদগী জি সাইমোননা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেচ অদু মখোয় ১-২দা মায়থীহৌখি।

ওলিম্পিক গ্রান্দ ষ্টেদিয়মদা টোরিনোনা যূম্বু ওইরগা পর্মাগা শান্নখিবা মেচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি। টোরিনোগী মায়কৈদগী এন কোলৌনা ১৫শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা পর্মাগী মায়কৈদগীনা জে উকানা ৩১শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Juventus | 26 | 20 | 3 | 3 | 50 | 24 | 26 | 63 |
| 2 | Lazio | 26 | 19 | 5 | 2 | 60 | 23 | 37 | 62 |
| 3 | Inter | 25 | 16 | 6 | 3 | 49 | 24 | 25 | 54 |
| 4 | Atalanta | 25 | 14 | 6 | 5 | 70 | 34 | 36 | 48 |
| 5 | Roma | 26 | 13 | 6 | 7 | 51 | 35 | 16 | 45 |
| 6 | Napoli | 26 | 11 | 6 | 9 | 41 | 36 | 5 | 39 |
| 7 | Verona | 26 | 10 | 8 | 8 | 31 | 27 | 4 | 38 |
| 8 | Parma | 26 | 10 | 6 | 10 | 33 | 32 | 1 | 36 |
| 9 | Milan | 26 | 10 | 6 | 10 | 28 | 34 | -6 | 36 |
| 10 | Bologna | 26 | 9 | 7 | 10 | 38 | 42 | -4 | 34 |
| 11 | Sassuolo | 25 | 9 | 5 | 11 | 41 | 39 | 2 | 32 |
| 12 | Cagliari | 26 | 8 | 8 | 10 | 42 | 42 | 0 | 32 |
| 13 | Fiorentina | 26 | 7 | 9 | 10 | 32 | 36 | -4 | 30 |
| 14 | Udinese | 26 | 7 | 7 | 12 | 21 | 37 | -16 | 28 |
| 15 | Torino | 26 | 8 | 4 | 14 | 29 | 46 | -17 | 28 |
| 16 | Sampdoria | 25 | 7 | 5 | 13 | 28 | 44 | -16 | 26 |
| 17 | Genoa | 26 | 6 | 7 | 13 | 31 | 47 | -16 | 25 |
| 18 | Lecce | 26 | 6 | 7 | 13 | 34 | 56 | -22 | 25 |
| 19 | SPAL | 26 | 5 | 3 | 18 | 20 | 44 | -24 | 18 |
| 20 | Brescia | 26 | 4 | 4 | 18 | 22 | 49 | -27 | 16 |

ꯁꯥꯍꯦꯠ / BRICK MISTRY অমসুং DRIVER পামজৈ

# তেরা বজার অমসুং শমুরৌ বজারগা য়াম্না নক্লনা লৈবা Brick Mistry 5 অমসুং Jugali 10 অথুবা মতমদা পামজৈ।

# 20 to 28 yrs ফাওবগী মনুংদা লৈবা Unmarried ওইবা Car Driver অনী অমসুং Local Tata Driver (22 to 45 yrs) অথুবা মতমদা পামজৈ।

Sd/- M.M. Singh

Mobile No. 8787727402

HL-P/7155/18...

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com